# পুলিসনা দিল্লি গ্যাস লিক্কী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংদা নোটিস থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০৯(এজেন্সী) :
তুগ্লাকাবাদ কন্টেনর দিপোদগী কেমিকেল গ্যাস লিক ওইরকপদা স্কুল তল্লিবী নুপীমচা ৪৫০ হেন্না শোকহনখিবগী মতাংদা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন্দা য়াওশিল্লক্কবা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদা নোটিস থাখ্রে।

সিনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি, চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা হৌজিকসু হমদর্দ ইন্সটিট্যুটতা মহৈরোয় ১৫ রোম থল্লি। পুলিসনা কন্টেনর হোঙে দাক হোঞ্জিন তৌবদা য়াওবা কম্পনিশিং, কষ্টমস দিপার্টমেন্ট অমসুং কন্টেনর কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (কোনকোর)দা নোটিস থাখি।

কন্টেনর অমদি মদুদা য়াওবা পোৎলমশিংগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট অমসুং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবগী এগ্রীমেন্টনচিংবা চেরোল পূন্নমক পীশিল্লক্কবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, চেকশিন্দবগী থৌওং অদু করম্বা মফমদা থোকখিবগে অমসুং করম্বা এজেন্সীনা থোকহনখিবনো হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি। মমাঙদা পুলিসনা হায়খিবনি মদুদি, কন্টেরশিং নীংথিনা সিল্ড তৌহৌদবা মরম্না হকচাং শোক্নিংঙাই ওইবা কেমিকেল লিক ওইরকখিবা ওইরম্বা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না সেন্টর অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টতা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনবা লৈখ্রে।

এন জি টিনা চয়োল অমগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট, দিল্লি গভর্ণমেন্ট, রেলৱে বোর্দ অমসুং দি পি সী সীদা খঙহনখি। করি মরমগী ইনভাইরোন--মেন্ট কম্পেন্সেসন পীরোইদগে অমসুং তুগ্লাকাবাদকী দিপো অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্লোইদবগী মরম করি লৈবগে হায়বদুগী মতাংদা এন জি টিনা কোনকোরনা সো কোচ নোটিস অমসু থাখি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩.৩০ তাবদা ক্লোরোমিথাইল পাইরিদিন হাপ্পা কেন ৮০ পুবা ট্রকশিং তুগ্লাকাবাদ দিপোদগী সোনেপাৎ মায়কৈ পাংখি। হীরম অসিগী মতাংদা মেজিষ্ট্রেএল ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীখ্রবা দিল্লি গভর্ণমেন্টনসু দিপোগী ওথোরিটিশিংদা সো কোচ নোটিস থাখি। সাউথ ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কষ্টমস দিপার্টমেন্ট অমদি কোনকোরদা সো কোচ নোটিস অমসু থাখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, সাউথ দিল্লিদা মে ০৬তা কন্টেনর অমদগী গ্যাস লিক ওইরকপদা গভর্ণমেন্ট গর্লস স্কুল অমগী মহৈরোয় ৪৫০ হেন্না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা লৈখ্রে। অঙাংশিংনা মীৎ হাকৎচবগা লোয়ননা নিংশা শ্বর হোনবা ঙল্লক্তবদগী সিটি এদমিনিষ্ট্রেসন্না চলাইবা গভর্ণমেন্ট গর্লস সিনিয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং রানি ঝান্সি স্কুলগী মহৈরোয়শিং মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা দিল্লি গভর্ণ-মেন্টনা মেজিষ্টিরিয়েল ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা আই পি সী অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট (প্রোটেক্সন) এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সন কয়াগী মখাদা পুলিসনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌবা লৈখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চলাইবা হোস্পিটাল খূদিংমক অৱাবা তারবা অঙাংশিংগী মতেং পাংনবা শেম শাগদবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদানা খঙহনখ্রে। অথু অকায়গী ওইবা থবক লাকপা মতমদা মতেং পাংনবগীদমক এইমসকী ডোক্টরশিং থৌরাং তৌদুনা লৈহনখ্রে। হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা অঙাংশিংবু দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ শিশোদিয়ানা ফীভম য়েংশিনখি।

ওথোরিটিশিংনা ফীভম লাকশিনবা ঙল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা থোইদোক্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদ্রে হায়না ডোক্টরশিংনা খঙহল্লক্লে। অদুম ওইনমক হৌরকফম মরু চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা পাউতাক পীখ্রে। অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না স্কুলগী ওজা মাপনসু হকচাং ঙল্লক্তবদগী মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাসপয়ী অমসুং দিল্লি এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর বিজেন্দর গুপ্তনা ঈ এস আই হোস্পিটালদা চত্তুনা অনাবশিংগী ফীভম য়েংশিনখি। লাইবক থিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা মথৌ তাই। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জি পি নদানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল খূদিংমক অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা শেম শাহনখ্রে। মশাগী চহী ১০দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৫৫ লায়কন্নরিবা বত্রা হোস্পিটালগী সিনিয়ার ডোক্টর অমনা ফোঙদোকখি।

# পাকিস্টান্না ইন্দিয়ান আর্মিগী সর্জিকেল স্ট্রাইক নীংশিংবা চুমগনি : রাজনাথ

পালি, মে ০৯(এজেন্সী) :
পাকিস্টান্না কুমজা ২০১৬কী সর্জিকেল স্ট্রাইক নীংশিংবা চুমগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মথৌ তারকপা মতমদা ইন্দিয়ানা ঙমখৈ লান্থোক্লগা য়েক্লবগী মথক্তা খুৎ থাবা ঙমই হায়বদুগী পাউজেল পীবা ওইনা সর্জিকেল স্ট্রাইক চথখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহারানা প্রতাপকী মিতম অমা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, পাকিস্টান্না কা হেনবা থৌওং চথরক্লবদি মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি হায়না বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)তা ষ্টেন্দিং ওর্দর অমা পীখ্রে। অদুম ওইনমক বি এস এফকী মায়কৈদগী হান্না খুৎ থাবা তৌরোই। য়েক্লবনা কায়হৌরক্লবা মতুংদা মকোক থোংবা ওফিসারগী য়াথং ঙাইবা তৌদনা খুৎ হান্নবগী অয়াবা পীরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাংশিংগী মতাংদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, চহী ৩গী মনুংদা ইন্দিয়াবু মালেমদা চাউথোকচবা পোকহনবা ঙল্লে। মতম অমদা অশোনবা লৈবাকনি হায়না লৌনরম্বা ইন্দিয়াবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা মীয়াম্না কিনরবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙল্লে।

ইন্দিয়ান আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা সর্জিকেল স্ট্রাইক চথখ্রবা মতুংদা ইরান্নসু পাকিস্টান্দা লৈরিবা টেররিষ্টকী লোৎফম পূন্নমক মাঙ তাকহনগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।


ইরানিয়ন আর্ম ফোর্সেসকী মেজর জেনরেল মহমদ বাকেরিনা ইস্লামবাদতা অকনবা ৱার্নিং পীখিবগা লোয়ননা হায়খি, ঙমখৈ লান্থোক লানশিন তৌরগা এটেক চথবদা চেন্নরিবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা পাকিস্টান গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থবক লৌখৎতবা থোক্লবদি টেহরাননা পাকিস্টান মনুংদা লৈবা টেররিষ্টকী লোৎফম পূন্নমক মাঙ-তাকহল্লগনি।

টেররিষ্টশিংনা তৌনিংবা থবক তৌবদা ইস্লামবাদনা য়েংদুনা লৈথোকপগী থৌওং য়াবা ঙল্লোই। পাকিস্টানি ওফিসলশিংনা বোর্দর ঙাক শেনবগা লোয়ননা টেররিষ্টশিং ফাগৎকদবনি অমসুং মখোয়গী বেজ পূন্নমক থিংজিনগদবনি। মমাঙ থাদা মিলিটেন্টশিংনা ইরানিয়ন বোর্দর গার্দ ১০ হাৎখ্রবা মতুংদা মেজর জেনরেল বাকেরিগী ৱার্নিং অসি পীখিবনি। ইরান্না হায়রিবদি পাকিস্টানগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবা জাইস-অল-অদল কৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা অথাপ্পা মফমদগী শান্না কাপ্পা য়াবা নোংমৈ শীজিন্নরগা বোর্দর গার্দশিং হাৎখিবনি হায়বসিনি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জবেদ গিলানিনা হায়খ্রে মদুদি, হন্দক্তা ষ্টেট অসিদা থোকখিবা বেঙ্ক লুট তৌবগী থৌদোকশিংদা লাস্কর-ঈ-টোইবা অমদি হিজবুল মুজাহিদ্দিননচিংবা পাকিস্টান্দা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং চেন্নে।

মপানগী মীওইশিংনা মহৈরোয়শিংদা শেল পীরগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নুঙ লংশিলহনবগী থৌওং চথরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মমা-মপা ওইবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মচা-মশুশিংবু ৱাখল তাহন্নবা তাকপী তন্বীগদবনি।

হৌজিক হৌজিক জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্ট ২০০ রোম লৈরি। মদুগী মনুংদা ১১০দি লোকল টেররিষ্টনি।



# অদিত্যনাথনা ষণ হাৎপগী মায়োক্তা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে



মীরুট, মে ০৯ (এজেন্সী) :
গাউ রক্ষকশিংদা ৱার্নিং পীরদুনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা হায়খ্রে মদুদি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মখুত্তা লো পায়শি-ল্লোইদবনি, মদুগী মহুত্তা লোগী মতেং লৌরগা ক্রাইম থিংনবা হোৎনগদবনি।

মীরুটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বনা ষণ হাৎপগী থৌদোক থেংনবা তারবসু পুলিস নৎত্রগা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পাউ পীগদবনি। লোবু খুত্তা পায়শিল্লগা ষণ হাৎলম্বা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা চুমদে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা অতৈ অতোপ্পা থৌরাংশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, এন্তি রোমিও স্কৱাদ লিংখৎখিবদগী উত্তর প্রদেশতা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হন্থরক্লে। হৌজিকসু নুপীগী মায়োক্তা ক্রাইম তৌবগী পাউ ফংলবদি চেন্নবা মীওইশিংবু খুদক্তা হেক্তা চৈরাক পীবগী মহুত্তা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা রিপোর্ট তৌদুনা লোগী মতুং ইন্না মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎহনগদবনি।

অলৱারদা ষণ য়োনবনি হায়বা মুস্লিম অমা মীয়াম্না ফুবদা শিখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ষণ য়োনবা নৎত্রগা হাৎলগা চাবগী থৌওং থিংবা মতমদা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অমত্তনা লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি।

লৈবাক অসিদা ষণশা চাবা থিংবগী মতাংদা কন্না য়েৎনরিঙৈগী চৈরক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা আধারগা মান্নবা মওংদা ষণশিংগী য়ুনিক আইদেন্টি-ফিকেসন (য়ু আই দি) নম্বর পীনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা হন্দক্তা সুপ্রিম কোর্টতা প্রপোজেল অমা পুখৎখি।

ষণ খূদিংমক অমদি মচা-মশুশিংদা য়ু আই দি নম্বর পীদুনা মাঙখিবা মতমদা খোঙ্গুল লীবদা খুদোং চানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। শঙ্গোম শুম্বগী চহী মতাং হেল্লবা ষণশিংগী অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী ৱাফমসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা রেকমেন্দ তৌখি। হোম মিনিষ্ট্রিগী কম্মিটি অমনা পীরকপা রেকমেন্দেসন্দা য়ুম্ফম ওইরগা সেন্টরনা প্রপোজেল অসি সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবনি।

# পাকিস্টানগী লান্মী মঙক ককপা ঙম্বদা ক্রোর ৫গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রে

অজমির, মে ০৯ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ান আর্মিগী মীচঙদা লেপ্পদুনা মুস্লিম ওর্গনাইজেসন অমনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্টানগী লান্মীশিং মঙক কল্লগা অককপা মকোক অদু পুরকপা ঙম্বা মীওইদা লুপা ক্রোর ৫গী মনা পীগনি।

দিল্লিদা বেজ তৌবা মুস্লিম য়ুব অতঙ্কৱাদ বিরোধি সমিটিগী চ্যেরমেন মহমদ সকিল সাইফিনা হায়খি, পাকিস্টানি লান্মীশিং মঙক কল্লগা ইন্দিয়াদা শীন্নবা ঙম্বা মীওইদা লুপা ক্রোর ৫ পীরগনি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা হন্দক্তা ইন্দিয়াগী লান্মী অনী মঙক ককখিবা পাকিস্টানি লান্মীশিংগী অককপা মকোক পুরকপদা মনা ওইনা পীগদৌরিবা শেনফম অদু ভোলন্টিয়ারশিং অমদি লৈবাক মীয়ামদগী খোমগৎকদবনি।

মমাঙ চহীদা সর্জিকেল স্ট্রাইক চথখিবগুম ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হন্দক্কী থৌদোক অদুগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎফম থোকই। লৈবাক্কী লান্মী অনী মঙক ককখিবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মীপুম খূদিংমক নুংঙাইতবা অমসুং অশাওবা কোক্ত্রি। সাইফিনা সুফি সেন্ট খ্বাজা মুইনুদ্দিন চিষ্টিগী শ্রাইন্দা 'জিয়ারট' পাঙথোক্লবগীদমক অমজিরদা লাকখিবনি।

ন্যুজ চেনেল অমগা ৱারী শানবদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা অতৈ মীওইশিংগুম মুস্লিম নহারোলশিংসু ইরৈবাক ঙাক্লবগীদমক থৱায় থাদোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি। তঙাইফদ্রবদি ঙমখৈদা চৎলগা পাকিস্টানিশিংগা মায়োক্লগনি।

ইন্দিয়ানা পাকিস্টানগী হায় কম্মিস্নার অব্দুল বাসিত কৌরগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাকিস্টানি আর্মিনা ইন্দিয়াগী লান্মী অনী মঙক কল্লগা হাৎখিবগী মতাংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ওফিসল স্পোক্সপার্সন গোলপাল বাগলেনা হায়খিবনি মদুদি, ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা পাকিস্টানি হায় কম্মিস্নার অব্দুল বাসিততা থৌদোক অদুগী মতাংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখিবা লৈখ্রে। মে ১দা পাকিস্টানি আর্মিনা তমথিবা মওংদা ইন্দিয়ান আর্মিগী জৱান অনী মকক মকক কল্লগা হাৎতোক্লম্বগী থৌওং অদু মালেমগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈবা থৌওং ওইবনা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখি।

বটাল সেক্টরদা লৈবা পাকিস্টানি আর্মিগী বোর্দর পোষ্টতগী নোংমৈ কাপ্পকখিবগা লোয়ননা অফবা মখলগী খুৎলাই পায়বা মিলিটেন্টশিং চঙলক্তুনা ইন্দিয়ান আর্মিগী জৱান অনী হাৎখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কুপ্না থিজিনবদা এটেক চথরল্লিবা মীওইশিং অদু লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লান্থোক্লগা চৎখিবগী খুদম ময়েক শেংনা ফংলে। মরম অদুনা কা হেনবা থৌওং চথখিবা পাকিস্টানি আর্মি পার্সনেলশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না জয়শঙ্করনা অব্দুল বাসিততা তকশিনখি।

পনবা য়াবদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্টানি আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক নক্না ইন্দিয়ান আর্মি অমা অমসুং বি এস এফকী জৱান অমা মকক মকক ককথৎলল্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদু ২২শুবা শিখ রেজিমেন্টকী নাইক সুবেদার পরমজিৎ সিংহ অমসুং ২০০শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল প্রেম সাগরনি।

পাকিস্টান আর্মিগী মকোক জেনরেল কমর জবেদ বজৱানা এল ও সী মনাক্কী মফম খরা য়েংশিল্লবা মতুংদা কাশ্মীরিশিংগী মতেং পাংগনি হায়না ৱাশকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। ইন্দিয়ান আর্মিনা হীরম অসিগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। কৃষ্ণ ঘাতি সেক্টরদা পাকিস্টানি লান্মীশিংনা মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা স্পেসল ফোর্সেস য়াওবা পাকিস্টানগী বোর্দর এক্সন টিম (বি এ টি)না ইন্দিয়ারোমদা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা এটেক চথরকখি।



# অনৌবা পার্টিগী ফ্রেমৱার্ক শেম্বা লোইশিল্লক্লে : শিবপাল যাদব

লখনৌ, মে ০৯ (এজেন্সী) :
সমাজৱাদি সিক্যুলর মোর্চাগী ফ্রেমৱার্ক শেম্বা লোইশিল্লক্লে অমসুং হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা লাউথোক্লগনি হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী সিনিয়ার লিদর শিবপাল যাদবনা ফোঙদোকখ্রে।

নৌনা লিংখৎলিবা পার্টি অসি সমাজৱাদি পার্টিগা পুন্না চৎমিন্নগদ্রা নৎত্রগা তোকখায়বা পার্টি অমা ওইনা থবক তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা মহাক্না ৱাফম অমত্তা পনখিদে।

সোর্ছ অমগী মতুং ইন্নদি, শিবপাল যাদবনা অনৌবা পার্টি অমা লিংখৎলবসু সমাজৱাদি পার্টিগা লাপথোক্লবা তৌরোই হায়রি। লাক্কদৌরিবা মীখলশিংদা পার্টি অসিনা সমাজৱাদি পার্টিগী মতেং পাংদুনা মীখল পুন্না থেংনমিন্ননবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

হৌখিবা মে ৫দা মুলায়ম সিংহ যাদবনা লিংখৎখিবা সমাজৱাদি পার্টি মচেৎ তাখিবগা লোয়ননা মনাওনুপা শিবপাল যাদবনা সমাজৱাদি সিক্যুলর মোর্চা কৌবা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎলে হায়না লাউথোকখিবনি। অদুম ওইনমক শিবপালনা লিংখৎলিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী লূচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা ওইগনি হায়রি।

থা কয়া পার্টি মনুংদা নাকপাক তানরকখিবগা লোয়ননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু পিগী এসেম্বলি মীখলদা সমাজৱাদি পার্টিনা মায়থিবা ফংখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

# 'নুপা-নুপী খাইনবগী মতাংদা নুপাখক্তনা ৱারেপ লৌবা চুমদে'

ন্যু দিল্লি, মে ০৯ (এজেন্সী) :
অলাহবাদ হায় কোর্টনা ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা পীখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা ৱায়েল অমনা হায়খ্রে মদুদি, নুপা-নুপী মশা মশা য়ানরগা লুহোংখ্রবা মতুংদা নুপাখক্তা ৱারেপ লৌরগা খাইনবগী থৌওং অয়াবা পীফম থোক্তে।

নুপা-নুপী খেন্নবগী মতুং ইন্না হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাউনবগী থৌওং চথরোইদবনি হায়না পল্লদুনা হায় কোর্টনা হায়খি, 'পার্সনেল লো'গী মিংদা মুস্লিম নুপীশিংগী রাইট খোঙ্গাউনবা য়ারোই।

মে ১১দা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা ট্রিপল টলাক, কিহাহ হল্লালা অমসুং পোলিগেমিগী মতাংদা হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌরিঙৈ চৈরক্তা হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি পীরকখিবনি।



ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না ট্রিপল টলাক্কুম্বা মরুওইবা হীরমগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা ঙমদে হায়না মুস্লিম নুপীশিংগী লূপ অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ওল ইন্দিয়া মুস্লিম ৱিমন পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম দব্লিয়ু পি এল বি)গী প্রসিদেন্ট সাইস্তা অম্বরনা হায়খিবনি মদুদি, এ আই এম পি এল বিনা কঙ্গারু কোর্টকী মওংদা থবক তৌবা চুমদে। বোর্দ অসিনা লৌবা ৱারেপ নৎত্রগা রেকমেন্দেসন পূন্নমক অতোপ্পা মীওইশিংদা নমদুনা ইলহনবা য়াদে। কোর্ট অমদি পার্লিয়ামেন্টনা লৌরকপা ৱারেপখক্তমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ইনগদবনি।

উত্তর প্রদেশকী ৱিমন এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর রিতা বহুগুনা জোসিনা কৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা সাইস্তা অম্বরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)বু ওল ইন্দিয়া মৌলবী পার্সনেল লো বোর্দ কৌগদবনি হায়না উত্তর প্রদেশকী মিনিষ্টর মোহসিন রাজানা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা য়েৎনরিঙৈগী চৈরক্তা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা চৎনবী অসি মুখৎপা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোত্তনা লৈরিবা পোলিটিসিয়ন খূদিংমক চৎনবী অসি শৌগৎলি হায়না লৌফম থোকই।

# কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্লরি

ভুবনেশ্বর, মে ০৯ (এজেন্সী) : ওরিষাদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা টিতলাগরদা সেলসিয়স দিগ্রী ৪৩ য়ৌনা শাবদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিগী মফম খরদা লৈচিন নোংফাই থাংলকপদগী শাবা খরা হন্থরক্তুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনখি। ভুবনেশ্বরদা ঙরাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৮.৪ য়ৌনা শারম্বদগী সেলসিয়স দিগ্রী ৩৭.৭তা হন্থরকখি। থংননা লৈরিবা কটক সিটিদদি সেলসিয়স দিগ্রী ৩৮ ওইরম্বদগী ৩৬.৬তা হন্থরকখি। অদুম ওইনমক নোংচুপ থংবা ওরিষাগী মফম মাপন্দা শাবগী চাং সেলসিয়স দ্রিগী ৪০ হেনখি।

লায়েংজরি

**UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুন্নবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3851/6/05-04/06

# কোব্রা কম্যান্দোশিংনা সুকমাগী উমংদগী মাওইষ্ট লালহৌবশিং তকথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ০৯(এজেন্সী) :
ছতিসগরগী উমংশিংদগী মাওইষ্ট লালহৌবা পূন্নমক তকথোকখিনবগী মতাংদা সী আর পি এফনা সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা কোব্রা কম্যান্দো ২০০০ থাজিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

গরিলা ৱারফ্যেরদা নীংথিনা খঙ হৈরবা কম্যান্দো বট্টালিয়ন ফোর রিজোল্যুট এক্সন (কোব্রা)না মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী হেদক্বার্টরনি হায়না লৌনরিবা খা থংনা ছতিসগরগী অশুকপা উমংদা চঙদুনা লালহৌবা পূন্নমক অতেনবা মতমগী মনুংদা তকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক হৌজিক ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার, টেলঙ্গনা অমসুং মধ্য প্রদেশতা লৈরিবা কোব্রাগী কম্পনি ২০দগী ২৫ ফাওবা বাষ্টার রিজন্দা থাজিন্নবা থৌরাং তৌরি।



কম্যান্দোশিং এরোপ্লেন্দা হোল্লগা মাওইষ্ট লালহৌবগী অকনবা মফমশিংদা থাজিনগনি হায়রি। কোব্রাগী কম্পনি অমদা পার্সনেল ১০০ রোম লৈ।

সুকমা অমসুং মসিগী অকোয়বদা হন্দক মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক চথবগী থৌদোক তোয়না থোকখি। এপ্রিল ২৪দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী গুরকপাল এরিয়াদা লালহৌবশিংনা সী আর পি এফকী পার্সনেল ২৫ হাৎখি। মার্চ ১১দনা সুকমাদা সী আর পি এফকী ১২ হাৎখি। জৱান ২৫ হাৎখ্রবা মতুংদা জৱান অমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

নক্সলাইটকী মায়োক্তা ওপরেসন চথুরিবা জৱানশিংদা পীবা পাউজেল অমদা, মমল য়াম্লবা জৱান ২৫ শিখিবগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগদবনি। গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা শেল খরা পীরে হায়দুনা থৌদোক অদু তরাই তরাই কাউথোকপা তৌরোইদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খিবনি মদুদি, অথুবা মতমদা মাওইষ্টশিংগী লালহৌ মুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম অসিগী মতাংদা লালহৌবগী চৈথেং ফংলবা ষ্টেটশিংগী ওইবা মীফম অমা মে ৮দা পাঙথোক্লগনি।

সী আর পি এফকী জৱানশিংদা হন্দক তমথিবা মওংদা চথখিবা এটেকশিংগী মতাংদা ছতিসগরগী বস্তার রিজনদা লৈবা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা ক্লেম তৌরকপা লৈখ্রে।

ন্যুজ চেনেল অমদা থাদোরকখিবা মিনিট ১৬ শাংবা ওদিও মেসেজ অমদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাইওষ্ট)গী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী মথক্তা চথুরকপা ওপরেসন গ্রীন হন্টকী লমন খুম্বা ওইনা সী আর পি এফকী জৱানশিংদা এটেক চথখিবনি। নীংতম ঈহৌদা অপনবা পীনবা হোৎনরক্লবদি লূপ অসিগী খুৎলাই পায়বা পিপলস লিবরেসন গরিলা আর্মি (পি এল জি এ)না সী আর পি এফ অমসুং অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা মখা তানা এটেক চথখিগনি হায়রি।

সী আর পি এফকী জৱানশিংনা ঙাইহাক অৱা পোত্থাবা ওইনা ফম্লগা লঞ্চ চারিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা এটেক চথরকখিবনি। নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবদা মাওইষ্ট লালহৌবা মঙা শিখিবা লৈখ্রবনি।